# ঐচ আই এল : য়ু পি ৱিজার্দসনা দবাং মুম্বাইগী মায়োক্তা শান্নখিবা মেচ দ্রো চৎখিবদগী সেমী ফাইনেল চঙখ্রে



লক্ষনৌ, ফেব্রুৱারী ২৩ :

মফম অসিগী হোকি ষ্টেদিয়মদা চৎখিবা হোকি ইন্দিয়া লীগ (ঐচ আই এল) কী য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা উত্তর প্রদেশ ৱিজার্দস অমদি দবাং মুম্বাই অনীনা ৪-৪ দা দ্রো চৎখিবদগী য়ুন্থুনা সেমী ফাইনেলগী মফম কনবা ঙমখ্রে।

মেচ দ্রো চৎখিবা অসিনা য়ু পি ৱিজার্দসনা অপুনবা পোইন্ট ২৫ ফংদুনা অহুমশুবা মফমদা লৈখিবগা লোয়ননা মখোয়না সেমী ফাইনেল মেচতা পোইন্ট ২৮ ফংলগা অনীশুবা মফমদা লৈরিবা কলিঙ্গা লেন্সর্সকা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি। অদুগা পোইন্ট ৩৫ ফংলগা টেবলগী মকোক্তা লৈরিবা দবাং মুম্বাইনা গোল দিফরেন্সতা ৬ ফংলগা পোইন্ট ২৩ পায়রগা মরিশুবা মফমদা লৈরিবা দেল্লি ৱেভরাইদর্সকা মায়োক্লদুনা অতোপ্পা সেমী ফাইনেলদা শান্নরগনি।

পোইন্ট ২৩ ফংলগা লৈরিবা রাঞ্চি রেজনা গোল দিফরেন্সতা দেল্লিদগী নেম্না লৈখি অমদি দিফেন্দিং চেম্পিয়ন্স জয়পী পঞ্জাব ৱারিয়র্সনা পোইন্ট ২২ ফংলগা টেবলগী খ্বাইগী মনিংদা লৈখি।

লীগ ষ্টেজগী অরোইবা গেম অসি দবাং মুম্বাই অমদি য়ু পি ৱিজার্দসকী মশক থোকপা প্লে অমা ওইখি। টিম অনীনা গেমদুদা য়াম্না ফার্ষ্ট ওইনা অমদ এটেক্কিং প্লেশিং চৎথদুনা অঙম তান্নরকখি। টিম অনীনা অকনবা লম্বা তৌদুনা তকখৎলকখ্রবসু দিফেন্সিবতদি থোইদোকপা মিৎয়েং চঙনখিদে।

য়াম্না মতিং থোক্না শান্নবা হৌরকখিবা মেচ অদুগী অহানবগী মিনিট ২০ দা টিম অনীনা ফিল্ড গোল অনী অনী চন্নখি। য়ুম্থুগীদমক অজয় য়াদভনা মেচকী মিনিট ১২ চৎপা মতমদা ফিল্ড গোল অমা চনশিনখিদুনা ২-০ দা মাঙজিল থানা লৈখি। অদুবু মিনিট অমগী মতুংদা মুম্বাইগী মনপ্রীট সিংহনা পীরকখিবা পাস অমদা গুরজন্ট সিংহনা ফিল্ড গোল অমা চনশিনখিদুনা লেভেল মান্ননা লৈখি।

য়ু পি ৱিজার্দসকী রমন্দীপ সিংহনা মেচকী মিনিট ১৭ চৎপা মতমদা গোল কিপর দেভিদ হার্টেবু নক্ষৎলগা গোল অমা চনখিদুনা অমুক হন্না মাঙজিল থানা চৎখি। অদুম ওইনমক মুম্বাইনা মিনিট অনীগী মতুংদা গোল ইক্বেলাইজ তৌখিদুনা চাং মান্ননা লৈখি। গোল অদু ফুচনা সার্কলগী টোপতগী রোবার্ট কেম্পরমেনদা পীখিবা পাসতা ওক্লগা ওইথংবা বেজলাইনদগী খাইরকখিবা বোল অদু মনপ্রীটনা গোল পোষ্ট মনুংদা কনশিনখিদুনা গোল চনখি।

টিম অনীনা অহুমশুবা ক্বার্টরদা মিদফিল্ডদা অহেনবা মিৎয়েং থমদুনা শান্নরকখি। মেচ মায় পাক্লবা টিম অনীনা অকনবা মওংদা এটেক অমদি কাউন্টর এটেকশিং তৌদুনা চঙশিন্নখ্রবসু গোল চনবদি ঙম্নখিদে।

অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেলদা য়ু পি ৱিজার্দসকী অক্সদীপনা এটেম্প তৌখিবা গোল অমা মুম্বাইগী আইরিশ কষ্টদিয়ন হার্টেনা সেভ তৌখিদুনা গোল চল্লম্বা য়াবা খুদোংচাবা অদু অরেম্বা তাখি। মেচ লোইগদবা সেকেন্দ খরদা ঙাইরক্লবা মতমদা অর্জেন্টিনাগী দ্রেগ-ফ্লিক্কর গোঞ্জালো পৈলাটনা গোল চনবা য়াবা খুদোংচাবা অনী ফংখ্রবসু টার্গেট মপা চুম্না কনশিনবা ঙমখিদবদগী গেম অদু দ্রো চৎখি।

# ন্যু জিলেন্দ, ন্যু কালেদোনিয়ানা ফিফা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ডকপকী ক্বালিফাই ওইখ্রে



ন্যু জিলেন্দ, ফেব্রুৱারী ২৩ :

ন্যু জিলেন্দ অমসুং ন্যু কালেদোনিয়ানা টাহিটিদা চৎখিবা ও এফ সি চেম্পিয়নশিপকী সেমী ফাইনেলদা মখোয় মখোয়গী মেচশিং মায় পাকখিবদগী ইন্দিয়াদা ওক্টোবরদা পাঙথোক্কদৌরিবা অন্দর-১৭ ফুটবোল ৱর্ল্ড কপ্তা ওসিনিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারগনি।

ন্যু কালেদোনিয়ানা মখোয়গী অহানবা ওইনা ফিফা টুর্ণামেন্টদা শরুক য়াগদৌরিবা অসি পুৱারীসু ওইখি। অদুগা ন্যু জিলেন্দনা ফিফা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপ্তা থংন-থংননা শরুক য়াবা তরুক্লকশুবসু ওইরগনি।

ন্যু কালেদোনিয়ানা সোলোমোন আইলেন্দবু ৩-২ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বালিফাই ওইখি অদুগা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন্স ন্যু জিলেন্দনা পাপুৱা ন্যু গুনিয়াবু ২-১ দা মায়থীবা পীখি।

ন্যু জিলেন্দ টিমবু হান্নগী ইন্টরনেসনল অমদি লীদস য়ুনাইটেদকী দিফেন্দর দেল্লি হেনা কোচ ওইরি।

ফিফা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপপু য়ুম্থু ওইরিবা ইন্দিয়াদা নত্তনা এসিয়াগী লৈবাক মরি - ইরান, ইরাক, জপান অমদি নোর্থ কোরিয়ানা হান্ননা ক্বালিফাইদ ওইখ্রবনি। ফিফাগী অহুমশুবা খ্বাইদগী মরু ওইব টুর্ণামেন্ট অসিদা টিম ২৪ না শরুক য়াদুনা লম্বানগনি।

ফিফা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপ ২০১৭ অসি ইন্দিয়াগী সিটি তরুক - ন্যু দেল্লি, কোলকট্টা, গুৱাহাটি, নাভি মুম্বাই, মার্গাও অমদি কোচিদা ওক্টোবর ৬ তগী ২৮ ফাওবা পাঙথোক্কনি।

# জেক সোকনা দেলরে বিচ ওপনগী, দোমিনিক থিয়েমনা রিও ওপনগী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে





ফ্লোরিদা, ফেব্রুৱারী ২৩ :

জেক সোকনা মফম অসিদা চৎথরিব দেলরে বিচ ওপনগী য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নখিবা নোংনা থিন্থুহনখিবা মেচ অদুদা স্পেনগী গুইল্লরমো গার্সিয়া-লোপেজবু ৬-৪, ৬-১ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

অহুমশুবা সীদেদ সোকনা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা মঙাশুবা সীদেদ ষ্টেভ জোনসনগা মায়োক্লদুনা শান্নরগনি। ষ্টেভ জোনসননা জপানগী য়োশিহিটো নিশিওকাবু ৬-৪, ৬-১ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিবনি। সোকনা জান্যুৱারীদা ন্যু জিলেন্দদা মহাক্কী অনীশুবা এ টি পি টুর টাইটল লৌখি।

ইংলেন্দগী কেলে ইদমুন্দনা টাইৱানগী লু য়েন-সুনবু ৬-৩, ৩-৬, ৬-২ দা মায়থীবা পীখি। নিপানশুবা সীদেদ ইদমুন্দনা মথংগী রাউন্দদা কনাডাগী টোপ সীদেদ মিলোস রাওনিক অমদি ক্রোসিয়াগী বোর্না কোরিক অনীগী মেচতগী মায় পাক্লকপা অদুগা মায়োক্লদুনা শান্নগনি।

মথংগী মেচশিংদা মরিশুবা সীদেদ দিফেন্দিং চেম্পিয়ন সাম ক্বেরিনা ফেল্লো অমেরিকান জারেদ দোনাল্ডসনগা শান্নগনি। দোনাল্ড য়ঙনা ফেল্লো অমেরিকান টেলর ফ্রিটজগা লম্বা তৌনগনি। য়ঙনা ওপন অসিগী অহানবা রাউন্দদা ক্রোসিয়াগী অনীশুবা সীদেদ ইভো কার্লোভিকপু মায়থীবা পীখিবনি।

অমরোমদা, দেলরে বিচতা চৎথরিবা এ টি পি টুর ইভেন্টতা মলটিপল গ্রান্দ স্লাম চেম্পিয়ন লীএন্দর পেস অমদি চাইনিজ টাইপৈগী য়েন-সুন লীনা য়ু এসকী বজোর্ন ফ্রাটাঞ্জেলো অমদি টেলর ফ্রিটজবু ৭-৬ (৭), ৬-৩ মায়থীবা পীখ।

অমরোমদা, অনীশুবা সীদেদ দোমিনিক থিয়েমনা রিও দি জানৈরোদা চৎথরিবা রিও ওপনদা দুসান লাজোভিকপু ৬-২, ৭-৫ দা মাথীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

টোপ সীদেদ কৈ নিশিকোরিবু অহানবা রাউন্দদা ব্রাজিলিয়ন থোমাজ বেল্লুকিনা মায়থীবা পীখিবদগী থিয়েমনা মহাক্কী নিপানশুবা এ টি পি সিঙ্গলস টাইটল লৌনবগী ফেভোরাইট ওইখি। থিয়েমনা ক্বার্টর ফাইনেলদা দৈগো স্কাৱাটজমেনগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি। দৈগো স্কাৱাজামেননা ফেল্লো অর্জেন্টাইন ফেদেরিকো দেলবোনিসপু ৬-৪, ৭-৬ (১) তা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিবনি।

নম্বর ফাইভ অলবার্ট রামোস-ভিনোলানা ফাবিও ফোগনিনিবু ৬-২, ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি। মহাক্না নিকোলাস কিক্করগা মায়োক্লদুনা শান্নরগনি। নিকোলাস কিক্করনা অর্থর দি গ্রীফপু ৬-৩, ৬-৩ দা মায়থীবা পীখিদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিবনি।

নাকল অমরোমদা, মার্সৈল্লেদা চৎথরিবা ওপন ১৩ গী য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নখিবা মেচকী অহানবা রাউন্দদা দানিল মেদভেদেবনা নিপানশুবা সীদেদ বেনোইট পেয়রবু ৫-৭, ৭-৫, ৭-৬ তা মায়থীবা পীখ্রে অমদি দিফেন্দিং চেম্পিয়ন নিক ক্রিগিওসনা ক্বার্টর ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে।

মশাগী চহী ২১ শুরবা মেদভেদেবনা চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা চেন্নাই ওপনদা মহাক্কী অহানবা টুর ফাইনেল চঙখি। ক্রিগিওসনা মালেক জাজিরিবু ৬-৪, ৬-২ দা মায়থীবা পীখি। তরুকশুবা সীদেদ রিচার্দ গ্যাসগেটনা মিখাইল য়ৌজনিবু ৭-৫, ৬-২ দা অমদি গিল্লেস সিমোননা জুলিইন বেন্নেটৈয়ুবু ৬-২, ২-৬, ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

# ইন্দিয়াগী অন্দর-১৭ ফুটবোল্লরশিংনা ষ্টেফেন কোনষ্টান্টিনগা পুন্না ট্রেন তৌমিন্নরি



গোৱা, ফেব্রুৱারী ২৩ :

লাক্লিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপকীদমক ইন্দিয়াগী অন্দর-১৭ ফুটবোল টিম শেম-শাবগী থবক্তা ফংবা খুদোংচাবা অমদা নেসনল কোচ ষ্টেফেন কোনষ্টান্টিনগী মিৎয়েং মখাদা নিংথৌকাবা নুমিৎতগী নুপামচাশিংনা ট্রেন তৌবা হৌখ্রে।

বৃটিশকী কোচ অসিনা নহা ওইরিবশিং অসিগা গোৱাদা নিংথৌকাবা নুমিৎতগী থবক তৌমিন্নবা হৌখি অমদি মহাক্কী মথৌ অসি থাংজ নুমিৎ ফাওবা চৎথগনি।

হেদ কোচ নিকোলাই অদামনা কোচ ফমদগী থাদোকখ্রবা মতুং ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) না অনৌবা কোচ অমা থিবগী থবক চৎথরক্লিবনি। অনৌবা কোচ ফংদ্রিঙৈ চৈরক্তা নুপামচাশিং অসিবু তাকপী-তম্বীবগীদমক এ আই এফ এফনা কোনষ্টান্টিনদা মতম খরা অন্দর-১৭ টিমগা থবক তৌমিন্ননবা হায়জখিবনি।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) গী জেনরেল সেক্রেটরি কুশাল দাসনা হায়খি, অন্দর-১৭ নেসনল টিমগী হেদ কোচ হাপত্রিফাওবদি ট্রেনিং সেসন অসি নিংথিনা কোওর্দিনেট তৌবা মথৌ তারি। মরম অদুনা ঐখোয়না কোনষ্টান্টিন অমদি মহাক্কী টিমদা গোৱাদা চুক্না চয়োল অমরোম নুপামচাশিংগা ট্রেনিং তৌনবা খঙহনখি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

এ আই এফ এফকী বোস অসিনা মখা তানা হায়, অনৌবা কোচ অমা অথুবদা ৱাইরগনি। ইন্দিয়াবু এস এ এফ এফ সুজুকি কপকী ট্রোফি লৌবদা লমজিংখিবা অমদি মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা এ এফ সি এসিয়ন কপ ক্বালিফাইয়র্স ২০১৯ দা সেনিয়র টিমবু লুচিংলিবা কোনষ্টান্টিননা অসিগুম্বা মথৌ তারকপা মতমদা মতেং পাংবদা মহাক্না অপেনবা পোকই। ঐনা পুথোক্লিবা ৱাফমদি নুপামচাশিংগী ফিটনেস লেভেল ঙাক্না থম্নবা মতেং পাংবদুনি অমদি মসিনা অতোপ্পা হীরমদা থবক পায়খৎপদা খুদোংচাবা পীগনি। ঐনা মখোয়বু কুপ্না য়েংশিল্লি। মখোয় অসি তুংগী প্লেয়রশিংনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ট্রেনিং অসিদা কোনষ্টান্টিনদা নত্তনা গোলকিপিং কোচ রোজরিও রামোস, স্পোর্টস সাইন্টিষ্ট দেন্নি দৈগান অমদি নেসনল টিম এসিষ্টেন্ট কোচ শানমুগাম ভেঙ্কটেশনা নুপামচাশিংগা পুন্না থবক তৌমিন্নরি।

অন্দর-১৭ ফিফা ৱর্ল্ড কপ ইন্দিয়া ২০১৭ অসি লাক্লিবা ওক্টোবর ৬ তগী পাঙথোকপা হৌগনি।

# মনোজ কুমার য়াওনা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী বোক্সর অনীনা ষ্ট্রান্দজা মেমোরিএল বোক্সিং টুর্ণামেন্টতা খুমাঙ চাউশিন্না চঙশিল্লি

## *মণিপুরগী থোমাস মৈতে ময়েংবমনা মথং রাউন্দ চঙখ্রে*



ন্যু দেল্লি, ফেব্রুৱারী ২৩ :

হান্নগী কম্মনৱেল্থ গেমসগী গোল্ড মেদলিষ্ট মনোজ কুমার য়াওনা ইন্দিয়াগী বোক্সর অহুম্না বলগেরিয়াগী সোফিয়াদা চৎথরিবা ৬৮শুবা ষ্ট্রান্দজা মেমোরিএল বোক্সিং টুর্ণামেন্টদা মখোয়গী বাউটশিং মায় পাকখিদুনা মথং রাউন্দগীদমক খুমাঙ চাউশিনখ্রে।

অহানবা রাউন্দদা বাই ফংখিবা অমদি মহাক্কী হান্না শান্নরম্বা লাইট ৱেলটরৱেঠ (কেজি ৬৪) তগী ৱেলটরৱেঠ (কে জি ৬৯) তা ওনখৎখিবা মতুং অহানবা ওইনা মহাক্কী ইন্টরনেসনল বাউটতা চঙলকখিবা মনোজনা লোকেল ফেভোরাইট রোবার্ট চামাসানয়াবু মায়থীবা পীখি। মহাক্না ক্বার্টর ফাইনেল বাউটতা মৌরিসিয়ন মার্ভেন ক্লাইরগা মায়োক্লদুনা শান্নগনি।

মথংগী রাউন্দদা খুমাঙ চাউশিনখ্রবশিং অদুনা কে জি ৪৯ গী ৱেঠ দিভিজনদা শান্নরিবা অমিট ফাঙ্গাল অমদি কে জি ৬৮ গী ৱেঠ দিভিজনদা শান্নরিবা মণিপুরগী থোমাস মৈতে ময়েংবমনি। অমিটনা অর্মেনিয়াগী গাস্পর বাবাখানয়ানবু মায়থীবা পীখি। মহাক্না ক্বার্টর ফাইনেল বাউটতা কাজাখ ইরঝান জোমার্টকা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

থোমাস মৈতৈনা পোলেন্দগী লুকাজ নৈমেকজিকপু মায়থীবা পীদুনা মথং রাউন্দগীদমক খুমাঙ চাউশিনখি। অহানবা রাউন্দদা বাই ফংখিদবা থোমাসনা ক্বার্টর ফাইনেলগী মফম কঞ্জবা ঙম্নবগীদমক বলগেরিয়ন আইরিন ইস্মেটোভকা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

টুর্ণামেন্ট অসিগী কে জি ৯১ মথক্তা শান্নরিবা সটিশ কুমার অমদি কে জি ৮১ দা শান্নরিবা মানিশ পানৱরনা য়াম্না ওন্না মায়থীদুনা টুর্ণামেন্ট অসিদগী মপান থোকখি। সটিশনা কাজাখষ্টানগী কামশিবেক কোনকাবায়েভকী মখুৎতা মায়থীখি অদুগা অতোপ্পা বাউট অমদা মনিশনা ইটালিয়ন ফেদেরিকো এন্টৌনাসিগী মখুৎতা মায়থীদুনা লৈহৌখি।

# অফ্রিদিনা ইন্টরনেসনল ক্রিকেটতগী পোত্থারে হায়না লাউথোকখ্রে



দুবাই, ফেব্রুৱারী ২৩ :

পাকিষ্টানগী ওল রাউন্দর শাহিদ অফ্রিদিনা ইন্টরনেসনল ক্রিকেটতগী পোত্থারে হায়না লাউথোকখিবগা লোয়ননা মহাক্কী চহী ২১ চুপ্পা মশক থোক্না লাকখিবা কেরিয়র অদু লোইশিনখ্রে।

মশাগী চহী ৩৬ শুরবা ষ্টার অসিনা মাঙজৌননা কুমজা ২০১০ দা টেষ্ট ক্রিকেটতগী পোত্থাখি অমদি কুমজা ২০১৫ গী ৱর্ল্ড কপ মতুংদা ৱান দে ইন্টরনেসনলদগীসু পোত্থাখি অদুবু ইন্দিয়াদা পাঙথোকখিবা ২০১৬ ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্তা পাকিষ্টানগী টুয়েন্টি ২০ টিমগী স্কিপ্পর ওইখিবনি।

টুর্ণামেন্ট অদুগী মতাংদা মহাক্না কেপ্টেন ফমদগী পোত্থাখি। অদুম ওইনমক মহাক্না অতেনবা ফোর্মেট অসিদা প্লেয়র অমা ওইনা মহাক্কী কেরিয়র মখা তানা চৎথনবা আশা তৌদুনা লাকখি।

শারজাহগী পেশাৱার জালমিদা পাঙথোকখিবা পাকিষ্টান সুপর লীগকী মেচতা বোল ২৮ দা ৫৪ লৌখ্রবা মতুং অফ্রিদিনা হায়খি, ঐনা ইন্টরনেসনল ক্রিকেটতগী কায়নরে হায়না হায়খ্রে। ঐনা ঐগী ফেনশিংগীদমক শান্নরি অমদি অতোপ্পা চহী অনীরোম অমগা মখা তানা মসিগী লীগ অসিদা শান্নখিগনি অদুবু মসি ইন্টরনেসনল ক্রিকেটতগীদি লাপথোক্লরে। হৌজিক ঐগী য়ুম্ফম শেন্বা হায়বসি খ্বাইদগী মরু ওইরে। ঐনা য়াম্না চেকশিন্না শান্নরি অমদি মসি ঐগী লৈবাক্কীদমক প্রোফেস্নেলগী লম্বীদা চৎথবনি হায়না মহাক্না মখা তানা হায়খি।

'বুম বুম' হায়রগসু খঙনবা অফ্রিদিনা কুমজা ১৯৯৬ তা শ্রীলঙ্কাগী মায়োক্তা শান্নখিবা মেচতা বোল ৩৭ তা সেঞ্চুরি অমা লৌবা ঙমখিবা মতম অদুদগী ফেনশিংগী অপাম্বা ক্রিকেটর অমা ওইনা লাকখি।

মহাক্কী অনীশুবা মেচতা লৌখিবা সেঞ্চুরি অদু ৱর্ল্ড রেকোর্দ ওইখিবগা লোয়ননা হৌখিবা চহী ১৮ অসি থুগায়বীনবা লৈতনা লাকখিবনি। মহাক্কী কেরিয়র তঞ্জায় ফাওবদি লেগ-স্পিন বোল্লিং ওল রাউন্দর ওইনা মহাকপু খঙনদুনা লাকখি অমদি কুমজা ২০০৯ দা মখোয়গী মায় পাকখিবা অদু য়াওনা অঙনবা শরুক্তা টি-২০ দা মায় পাকখিবা অদুগী পাকিষ্টানগী ইনষ্ট্রুমেন্টেল ওইখিবনি।

# জোন-জোন দোহমেননা নুপাগী, নাওমি ভান অসনা নুপীগী এফ আই ঐচ প্লেয়র ওফ দ ইয়র এৱার্দ ফংখ্রে

চান্দিগড়, ফেব্রুৱারী ২৩ :

বেলজিয়মগী কেপ্টেন অমদি ওলেম্পিক্স সিলভর মেদলিষ্ট জোন-জোন দোহমেন অমদি নেদরলেন্দসকী নাওমি ভান অসনা মফম অসিদা শগোলশেল নুমিৎতা পাঙথোকখিবা চীং লেম্লবা ইন্টরনেসনল হোকি ফেদরেসন (এফ আই ঐচ) গী হোকি ষ্টার এৱার্দ থৌরমদা মথংশিৎনা নুপা অমদি নুপীগী এফ আই ঐচ প্লেয়র ওফ দ ইয়র এৱার্দস খুৎশিন্নখ্রে।

শান্নবগী পুৱারীদা অহানবা ওইনা বেষ্ট প্লেয়র, গোলকিপর, রাইজিং ষ্টার, কোচেস অমদি অম্পায়রশিং ঈকাই খুম্নদুনা থৌরম অসি পাঙথোকখি।

এৱার্দ অসিগী লমজেলদা য়াওখিবা ইন্দিয়ন অনী - কেপ্টেন অমদি গোলকিপর পি আর শ্রীজেশ (গোলকিপর ওফ দ ইয়র) অমদি হরমনপ্রীট সিংহ (রাইজিং ষ্টার ওফ দ ইয়র) না লম্বানবদা য়াওখ্রবসু এৱার্দ অমত্তা ফংবা ঙমখিদে।

গ্রেট বৃটেনগী রিও ওলেম্পিক্কী গোল্ড মেদলিষ্ট মেদি হিঞ্চনা ফিমেল গোলকিপর ওফ দ ইয়র এৱার্দ ফংখি। অদুগা আইরলেন্দগী দেভিদ হার্টেনা অনীরকশুবা ওইনা থংন-থংননা মেল গোলকিপর ওফ দ ইয়র এৱার্দ ফংখি।

কুমজা ২০১৬ কী রিও ওলেম্পিক্স গেমসতা মেদল লৌখিবা বেলজিয়মগী অর্থর ভান দোরেননা চহী ২৩ অমদি মসিগী মখাগী রাইজিং ষ্টার ওফ দ ইয়র এৱার্দ লৌখি। অর্জেন্টিনাগী মারিয়া গ্রানাটোনা ফিমেল রাইজিং ষ্টার ওফ দ ইয়র এৱার্দ লৌখি। মহাক্কী টিমনা কুমজা ২০১৬ কী হোকি চেম্পিয়ন্স ট্রোফি লৌখিবগা লোয়ননা মদুদা মহাক্না বেষ্ট জুনিয়র প্লেয়র ওফ দ ইয়র এৱার্দ ফংখি লোয়ননা হোকি জুনিয়র ৱর্ল্ড কপকী চেম্পিয়নসু নবেম্বর থাদা ওইবা ঙমখি।

নুপা অমদি নুপীগী কোচ ওফ দ ইয়র এৱার্দতা মথংশিৎনা গ্রেট বৃটেনগী দেভিদ কেরি অমদি কারেন ব্রাউননা ফংখি। মেল অম্পায়র ওফ দ ইয়র এৱার্দনা জর্মনিগী খৃষ্টিয়ন ব্লাসচনা ফংখি। অদুগা নুপীগী কেটগোরিদনা বেলজিয়মগী লৌরিন দেলফোর্জনা লৌখি।

মখোয় মখোয়না শান্নবগী লমদা মশক থোক্না লৌখিবা দাইত্বশিং অদুবু শক খঙবা ওইনা থৌরম অসি অহানবা ওইনা পাঙথোকপনি। হোকি ষ্টার এৱার্দ ২০১৬ অসি ইন্টরনেসনল হোকি ফেদরেসন (এফ আই ঐচ) অমদি হোকি ইন্দিয়া অনীনা খুৎশম্নরগা শীনবনি।

ইভেন্ট অদুগী মতাংদা ৱা ঙাঙলদুনা এফ আই ঐচকী প্রসিদেন্ট নরিন্দর বট্রানা হায়খি, ঙসিগী এৱার্দ ফংলবশিংবু থম্মোয় শেংনা থাগৎলি। ঙসিগী খ্বাইদগী চাউনা পাঙথোকপা থৌরম অসিদা মখোয়বু মশক খঙবা ওইনা এৱার্দশিং পীদুনা ঈকাই খুম্নবনি। মখোয়না ২০১৬ তা উৎখিবা পার্ফোমেন্স অদুগী এচিবমেন্টশিং অদুনা মথংগী হৌরক্লিবা জেনরেসনদা হেন্না মতিং হাপ্পগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# জর্মনগী এঞ্জেলিগ কার্বরনা নম্বর ৱান রেঙ্কিংদা হল্লক্লবগী খোঙফম নকশিন্না লৈখ্রে

## *সানিয়া মিরজা দবলসকী প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে*





দুবাই, ফেব্রুৱারী ২৩ :

জর্মনগী ষ্টার প্লেয়র অমদি মালেমগী অনীশুবা রেঙ্কতা লৈরিবা এঞ্জেলিগ কার্বরনা মফম অসিদা চৎথরিবা দুবাই টেনিস চেম্পিয়নশিপকী য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা মোনিকা পুইগপু ৬-২, ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা নম্বর ৱান রেঙ্কিংদা হল্লক্লবগী খোঙফম নকশিন্না লৈখ্রে।

টোপ-সীদেদ জর্মন অসিনা য়ু এস ওপন টাইটল লৌখ্রবা মতুং সেরেনা ৱিল্লিয়মসতগী মুল্লগা দব্লিয়ু টি এগী টোপ স্পোটতা লৈখ্রবা মতুং সেপ্টেম্বরদা অমুক হন্না সেরেনানা টোপ স্পোটকী মফমদা হল্লকখি। কার্বরনা থাংজ নুমিৎতা গল্ফকী ইভেন্ট অসিগী টাইটল লৌবা ঙম্লবদি অমুক হন্না নম্বর ৱান রেঙ্কিংদা হল্লকপা ঙম্লগনি। কার্বরগী মায় পাকখিবা অসিনা মমাঙ চহীগী ওগষ্ট থাদা পাঙথোকখিবা রিও ওলেম্পিক্কী গোল্ড মেদল মেচতা মশাগী চহী ২৯ শুরবী পুর্টো রিকান পুইগনা মহাকপু মায়থীবা পীরমখিবা অদুগী লমন খুম্বা ওইনা থোকখি।

কার্বরনা হায়খি, ঐনা ঐগী গেম শান্ননবা অকনবা মওংদা হোৎনখি। ঐনা মেচ অদু নিংথিনা শান্নখিবদা নুংঙাইবা পোকই। ঐনা সিঙ্গলস পোইন্ট খুদিংমক্তা অকনবা মিৎয়েং থমদুনা লৌনবা হোৎনখি অমদি নিংথিনা চঙশিন্নবা হোৎনখি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

হৌজিক জর্মন অসিনা মথংগী রাউন্দদা অনা কোনজুহগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি। অনা কোনজুহনা নিপানশুবা সীদ ইলেনা ভেসনিনাবু ৩-৬, ৬-৪, ৭-৬ (৭/৪) তা মায়থীবা পীদুনা মথং রাউন্দ চঙখিবনি।

তরেৎশুবা সীদ ইলিনা সভিটোলিনানা পুং অনী মখায় চঙনা শান্নখিবা মেচতা খৃষ্টিনা মেকহালবু ৪-৬, ৬-৪, ৬-৩ দা মায়থীবা পীখি।

মায় পাক্লবা য়ুক্রেনিয়ন অসিনা হায়খি, ঐনা মেচ অদুদা নিংথিনা শান্নখি অদুবু ঐনা মায় পাকখিবদা তশেংনা নুংঙাইবা ফাওই হায়না ফোঙদোকখি।

টুর্ণামেন্ট অসিগী অহুমশুবা রাউন্দদা অমেরিকান লৌরেন দেভিসনা ইকাটেরিনা মাকারোভাবু ৪-৬, ৬-১, ৬-১, ৬-৪ দা মায়থীবা পীখি অদুগা অনাষ্টাসিজা সোভাষ্টৌভানা পেং শুআইবু ৬-৪, ৬-৩ দা মায়থীবা পীখি।

অমেরিকান কাথরিন বেল্লিসনা কুমজা ২০১২ গী চেম্পিয়ন অমদি পোলিশকী মরিশুবা সীদ অগনিজকা রাদৱানস্কাবু ৬-৪, ২-৬, ৬-২ দা মায়থীবা পীখি। মশাগী চহী ১৭ শুরবা বেল্লিসনা রাদৱানস্কাবু মায়থীবা পীবা ঙমখিবা অসি মহাক্কী অহানবা টোপ টেন প্লেয়রগী মথক্তা মায় পাকপসু ওইখি।

দেনিশগী তরাশুবা সীদ কারোলিন ৱোজনিয়াক্কিনা পুং অনী হেন্না চঙনা শান্নখিবা মেচ অদুদা কাটেরিনা বোন্দারেঙ্কোবু ৩-৬, ৬-২, ৬-৩ দা মায়থীবা পীখি।

অমরোমদা, সানিয়া মিরজা অমদি মহাক্কী জুরা চেক রিপল্লিক্কী বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভানা নেদরলেন্দগী কিকি বার্টেন্স অমদি স্বিদেনগী জোহান্না লার্সনবু দুবাই ওপন দব্লিয়ু টি এ ইভেন্টতা ৬-৩, ৭-৫ দা মায়থীবা পীদুনা দবলসকী প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা অহুমশুবা সীদেদ ইন্দো- চেক্কী জুরা অসিনা য়ু এসকী অবিগেইল স্পেয়র্স অমদি স্লোভাকিয়াগী কাটারিনা শ্রেবোটনিক্কা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি। মিরজা অমদি ষ্ট্রাইকোভানা ওপন অসিগী অহানবা রাউন্দদা বাই ফংখিবনি।